হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ০৯, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৩২শুবা মশীং

# পাকিষ্টাননা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর তান্থোরকপা

## আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকপা

পাকিষ্টাননা ইস্লামবাদতা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর অজয় বিসারিয়া তান্থোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা ললোন-ইতিক্কী ওইবা থবক থৌরম অমত্তা মখা তানা তৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খায়দোকপগী মতাংদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরীদা চাউনা অহোংবা লাক্লি। লৈবাক অনীগী দিপ্লোমেটিক রিলেসন্স দাওনগ্রেদ তৌবগী শরুক অমা ওইনা ইস্লামবাদতগী ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর অজয় বিসারিয়া তান্থোরকখ্রবা মতুংদা পাকিষ্টানগী হায় কম্মিস্নরসু ইন্দিয়াদা থারক্লরোই হায়রি। মসিদসু নৎতনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং সিক্যুরিটি কাওন্সিলদা ৱাকৎতুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা মতীক চাবা থবক লৌখৎপীনবা হায়জগদৌরি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং অদু ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়জবা তারবসু পাকিষ্টাননদি অঙন্বা থাক্তা অথিংবা পীনবা হোৎনগদৌরি। পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা হায়খি, মথৌনা লৈরবা কাশ্মিরিশিংনা মরোমদোম লেপচনবগী মতাংদা তাল্লিবা দিমান্দ শৌগৎপদা য়ূম্ফম ওইরগা ওগষ্ট ১৪দা নীংতম নুমীৎকী তৌরম পাঙথোক্কনি। পাকিষ্টানগী নীংতম নুমীৎ ওগষ্ট ১৪বু মপূং ফানা পাঙথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমীৎ ওইরিবা ওগষ্ট ১৫দা 'ব্লেক দে' পাঙথোক্কনি হায়নসু ইমরান খাননা লাউথোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা ফোরেন মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ফোর এদ্যুকেসন, মিনিষ্টর ফোর হ্যুমেন রাইট্স, লো মিনিষ্টর, ইন্টর সর্ভিসেস ইন্টলিজেন্সকী দিরেক্টর জেনরেল, ফোরেন এফেয়ার্স সেক্রেটরি অমদি অতৈ অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিং য়াওনা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা ইমরান খাননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ লৌখিবনি। লৈবাক অনীগী মরীদা চাউনা অকায়বা লাকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা ইন্দিয়ন অনী খুৎশিন্নরকপগী থৌরাংসু য়ৈথোকখ্রে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা ঙমখৈদা চৎলুবা মতমদা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়ন প্রিজনর অনী খুৎশিন্নররোই হায়না খঙহল্লকখিবনি।

নাকল অমরোমদা চাইনানসু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপগী ফীভমদা লৈরে। আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খায়দোকপগী থৌরাং অদু ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়না লৈবাক কয়ানা লৌরবসু চাইনা অমদি পাকিষ্টাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সৱুমেন হুৱা চুনয়িংনা হায়খি, ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং য়াবা ঙম্লোই। পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহমুদনসু ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কনফরেন্স (ও আই সী)গী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লুবা হায়জখি। হান্নদগী হৌনা মীচঙ চঙনদুনা লাকখিবা পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগী ৱারোল তারবা মতুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হায়খি, পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা শোয়খিবা পূম্নমক শেমদোক্লবগী পান্দমদা 'জম্মু এন্দ কাশ্মির রিওর্গনাইজেসন বিল, ২০১৯' পাস তৌখিবনি। আর্টিকল ৩৭০না জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমদগী লাপথোকহনবা, তোখায় তাবগী ঈহৌ য়োকখৎপা অমসুং লালহৌবগী ঈহৌদা মীওই ৪১,০০০ হেন্না শিহনখিবা নৎতনা করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পুরকপা লৈতে। কাশ্মির তম্পাক্কী মীয়াম্বু অশেংবা ইচিল-ইনাওনি খনবদগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ লৌথোকখিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। সেন্টরগী থৌরাং অসি এন দি এগী মপাং নৎতবা বি জে দি, ৱাই এস আর কোংগ্রেস, টি দি পি অমদি বি এস পিনচিংবা পার্টি কয়ানা শৌগৎলবসু কোংগ্রেস, দি এম কে, এন সী পি, আর এস পি অমসুং এস পিনচিংবা পার্টি খরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি ইন্দিয়ানা হন্দক লৌখৎখিবা থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মির খক্তদা নৎতনা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদসু লালহৌবনা এটেক চথরকপা য়াবগী মতাংদনি। লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়জরগসু ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা পাকিষ্টান অমদি চাইনানা তুমিন্না লৈশিনখিগদবা মান্দে। ৱাফম অসি ইন্দিয়ানসু ময়েক শেংনা খঙবা মরম্না ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা অখন্নবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসননসু এয়রপোর্ট য়াওনা মরু ওইবা মফম খূদিংমক্তা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খায়দোকখিবগী থৌওং অদুনা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মরী তাইশিন্নবা য়াররোইদবা মওংদা শোকহল্লগনি হায়না লৌবা য়াই।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## এন ঈ পি ২০১৯দা হাপচিনবা য়াবশিং হাপ্নবা খন্নখিবগী মতাংদা হায়জনীংবা খরা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

ঙসি লৈখা তানা মাঙলবা ইমা লৈবাক মৈত্রবাক মণিপুরগীদমক অফবা মহৈরোয়শিং ওইহন্নবগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর য়াওনা খন্নবিখি হায়না পাউচেশিংদা ফোঙদোকপীরকপগীদমক হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। হীরম অসিগী মতাংদা কুমজা ২০০৩দা ঐনা ধনমঞ্জুরি কোলেজ মনাক্তা লৈবা এন সী ঈ আর টিগী ওফিসতা চৎতুনা হায়জখি হৌজিক তল্লিবা লাইরিক অসি শোয়রে, অমুক্তা চুমথোকপীয়ু হায়না। মখোয়না হায়রকই, মসিদি ঐখোয়না তৌবা নত্তে মণিপুর লৈঙাকননি। মসিগী মতুংদা মরক-মরক্তা চৎতুনা হৌজিক তল্লিবা লাইরিক অসি শোয়রে, মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু হায়জবদা কনানসু তাবীদে। ঙসি ইরমদম ইমা লৈবাক মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা হাৎন-শুনরিবা, তাহৈদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া, থকসি-খাসি, লমচৎ-থৌগল্লোন খঙদ্রিবা অসি হৌজিক তল্লিবা লাইরিক অসিননি। হৌজিক তল্লিবা লাইরিক অসিদি অচুম্বা লাইরিক নত্তে। অদুনা অশেংবা লাইরিক তমহনবীয়ু। অশেংবা লাইরিক তম্নবগী মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা মাইচৌ, মাইনৌশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কা পূন্না থা অমা/অনী চঙনা তানরগা অইবা লাইরিক অদু তমহনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো মৈতৈ*
*কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈখিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।
(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?
(খ) কাংঙবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ইশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাত্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অপূনবা ইন্দিয়া অমগী ওইনদি আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫এ লৌথোকখিবসি কান্নবা অমনি

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

জম্মু কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫এ লৌথোকখিবসি ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী শরুক চাম্মগী মনুংদা শরুক ৯৯.৯না মশা-মশাগী থম্মোয়দা য়ানীংলমগনি হায়নীংই। অঙ্ক হোৎপদৌনা চপ চানা তাদবসু য়াই। অমরোমদা চপ চানা তাদ্রবসু কায়দে। শম্না হায়রবদা লৈবাক অসিগী অয়াম্বা মীয়াম্না হরাওবা পোক্নে। করিগীবু পোক্লোইদগে ইন্দিয়াগী ষ্টেট২৮ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পীদবা খুদোংচাবা ময়াম অমা জম্মু কাশ্মীরদা পীরি। খুদোংচাদবা অমা-অনী-খক্তংসু নৎত্রি। মখোয়গী তোঙানবা ফিরাল অমা লৈ। মদু ওফিসকী/লৈবাক্কী থবক্তা শীজিন্নদবা য়াদে। ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল অসিখক্তং শীজিন্নবা য়াদে। চিংখৎপা মতমদা ফিরাল অনী অসি পূন্না চিংখৎকদবনি। মসি অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনদে। অতৈ ষ্টেটশিংগী তোঙানবা ফিরাল অমত্তা লৈতে। মচু অহুমগী ফিরাল অসিনা লোইরে। নাগালেন্দগী তোঙানবা ফিরাল অমা শীজিন্নগনি হায়বদা য়াবা লৈত্রি। কাশ্মীরখক্তদা অসুক য়াম্না তোঙানহল্লিবা করিগীনো? চাউ-খ্র-চাউখ্রবা ষ্টেট ময়ামসিনা ৱারৌবা তাবনি। মখোয়গীদি করিগীদমক পীদ্রিবা করিগীনো হায়বা ৱা লাকপা তাবনি। পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা লো কয়া কাশ্মীরদা হেক্তা চৎনবা য়াদে। অদুবু য়ামখ্রবা ষ্টেট ময়ামসিদদি চৎনদবা য়াদে। মতিক ময়াই লৈবা ষ্টেট কয়া য়াওরি। অদুমওইনমক পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা লো কয়া চৎনদবা য়াদে। কাশ্মীরগীদি মখোয়গী ষ্টেট এসেমব্লিনা খন্নরগা পাল্লগনা লো অদু চৎনরে করিগুম্বা পামদ্রগনা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌরকপা ওইরবসু চৎনদ্রে। মতাং অসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি লৈবাক অমগী পার্লিয়ামেন্ট হায়বসিগা ষ্টেট অমগী এম এল এ ফল্লিবা এসেমব্লিগা অনীসি কনানা হেন্না চাউবগে হায়বদি মতিক ময়াই লৈবগে হায়বসিনি। কাশ্মীরদগীসু এম পি কারি। মখোয় পার্লিয়ামেন্টতা ফল্লি অদুগা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনগদবা লো শেল্লি। মসিনা করি? এম পি ময়াম্না ফল্লগা পার্লিয়ামেন্ট শেম্বা লৈবাক্কী লো অমবু এসেমব্লিদা অমুক খন্নরগা য়াবা/য়াদবা খন্নবা হায়বসিমকসু দেমোক্রেসিদা তায়োন্নবা থোক্তবা নত্তে। করিনো অমা মথক মখা ওন্নবদৌনা তৌরে। মসিনি লৈবাক মীয়াম্না পামদবসি।

পার্লিয়ামেন্টতা এম পি ময়াম্না কুপ্না খন্নরগা পাস তৌখিবা বিল অদু লৈবাকসিগী খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীগদৌরিবনি। বিল অদু লো/এক্ট ওন্দুনা গভর্ণমেন্টনা থবক ওইনা চৎনবা হায়বসি প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরগনি। মহাক্লা অয়াবা পীদ্রগদি লো ওইনা চৎনবা য়াবা নত্তে। শম্না হায়নীংলিবা ৱাফমদি থবক অসি অরায়বা নত্তে। অদুগা পার্লিয়ামেন্ট হায়বসিদসু লোক সভা হায়বা অমা রাজ্য সভা হায়বা অমা অনী থোক্লা লৈরি। বিল অমা পাস তৌবা হায়বসিদা হাওস অনীদা লৈরিবা য়ামখ্রবা এম পি ময়াম্না খন্নরগা তৌরিবনি। মদুগুম্বা এক্ট ওল্লবা পোৎ অদুবু এম এল এশিংনা এসেমব্লিদা অমুক খন্নবা হায়বসি য়াম্না মথোং হুক্তবা লো অমনি হায়নীংই। মমা-মপানা মচাশিংগীদমক য়াইফনবা কুপ্না খল্লগা তৌরবা থবক অদুবু মচাশিংনা অমুক হঙ্গৎনা নৈনবা হায়বসি খরা তায়োন্ননা উরে হায়নীংই। খন্নরগসু তোকপা নত্তদুনা য়ারে/য়াদে হায়বা ৱারেপ অমুক লৌবা ঙম্বগী শক্তি/থৌনা পীরিবা আর্টিকল ৩৭০ অসি দেমোক্রেসিদা য়াম্না চানদে অমদি মসিগী মফম লৈতে। য়েংবীয়ু মশ্বায়সিদা য়াম্না ওন্ন-তৈনবা, মরিং-মরাংবা অমা উবা ফংলক্কনি মরমদি পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌদুনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা চৎনখ্রবা এক্ট/লো অদু কাশ্মীরগী এসেমব্লিনা খন্নরগা পাস তৌদুনা কাশ্মীরগী গভর্ণরনা অয়াবা অমুক পীদ্রে হায়রবদি প্রসিদেন্টকী মতিক ময়াই অসি করিদি ওইরে? প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরগা গভর্ণরশিং হাপ্লিবনি। মহাক্লা অয়াবা পীদুনা হাপখিবা গভর্ণর অমনা অমুক মাগী ৱারেপকী মথক্তা ওনখৎলকপা মানবা থৌওং-থৌশিল অমা য়াওরে। মসিবু করিনি হায়গদৌরিবনো দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা অমুক্তা হায়বিয়ু। দিক্টেটরগী লৈঙাক লৈবা লৈবাক অমদদি করিবু হায়রুনি খঙদ্রেকো, মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবদুনি। অমরোমদা কাশ্মীর ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্টরনা শেল থাদরিবনি, কনানা স্কিম/প্রোজেক্ট কয়া শেমদুনা ষ্টেট খুদিংমক্তা থাদরিবা অদুগুম্না কাশ্মীরদসু থাদরি। থৌওং অসিবু য়ামখ্রবা ষ্টেট ২৮ অসিনা ৱারৌবা মশানা তাবনি অমদি পূক্নিং নুংশিবা মশানা তাবনি।

জম্মু কাশ্মীরগী কুম্মৈসিসু নুংঙাইহরি। পুৱারী য়াম্না শেম্বা লমদম অমনি। ইন্দিয়া হায়বসি ইমুং অমনি হায়না য়েংবদা উবা ফংলিবসি মচা য়াম্মী হায়বসিনি। মচা ২৮নি। মান্ননা য়েংদবা য়ারোই। হেক মীৎয়েং-নায়েং খেন্নবদা ৱারৌ-পুরৌবা য়াওনরকপা মশানা তাবনি। মদুদনি ৱা কায়নরকপসি। মদুনা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংদা লৈমিন্নবা নুংঙাইবা হৌনদ্রে। এসেমব্লিগী মতম অসি চহী মঙা ষ্টেট খুদিংমক্কী ওইনবদা কাশ্মীরগীদি চহী ৬ ওইরে। য়াম্না তোঙানবা মওং অমনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইদুনা লৈরিবা জম্মু কাশ্মীরগী মশাগী ওইবা তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈ। মদুদা ষ্টেট অসি করম্না অমদি করম তৌনা লৈঙাক্কদগে হায়বদু ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরি। এসেমব্লিগী টর্ম অসি চহী ৬ ওইগনি অমদি মদুগী মতম হেক লোইবদা মীখল তৌগনি হায়বদু ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। ইন্দিয়াগী ওইবা কন্সটিট্যুসন অমখক লৈ। মসিবু য়ামখ্রবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চৎনরি। করিগুম্বা কাশ্মীরগুম্না ষ্টেট পূম্নমক্কী ওইবা তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুসন অমমম লৈরবদি ইন্দিয়াদা কন্সটিট্যুসন ২৯/৩০ শুগনি। মদু ওইরবদি ইন্দিয়া অসি করম্না লৈঙাকপা য়াগনি। ষ্টেট কয়াদগী অয়েৎপা/অপনবা কয়া পুথোক্লরক্কনি। মদুনা লৈঙাকপদা য়াম্না খুরৌ থাংদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা য়াগনি থাজদে। লৈবাক অমদা অদুগা দেমোক্রেসি চৎনরিবা লৈবাক অমগী মনুংদা কন্সটিট্যুসন অনী লৈবা য়াবরা। মান্নবা পোৎ অমদা মখল অনীবু শুরক্লবা ৱাথোক অদুম ওইরক্লদৌনি। য়ামখ্রে আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এগী মনুংদা য়াওরিবা মচাক ময়ামসি পিকখ্রবা নৈন-ৱারেং অসি হাপচিনবা চনগদবা নত্তে। মরম অদুনা অতৈ ময়াম অমদি হাপচিঞ্জদ্রে। খরা অসিমক্লসু অদুমক মতিক চারে জম্মু কাশ্মীরদা পীবা অহেনবা কয়া অদু।

পাকিষ্টান্না খুদোংচাবা অমা লৌরি অমদি লৌখিগনি করিগুম্বা আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ অসিনা জম্মু কাশ্মীরদা চৎনদুনা লৈরবদি। শম্না কাশ্মীরনা তোঙানবা মশাগী কন্সটিট্যুসন, ফিরাল, পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা লোশিং চৎনদবা, এসেমব্লিগী টর্ম চহী তরুক ওইদুনা লৈরবা, সিটিজেন ওইবগী শক্তাক চে অনী পায়বগী ফীভম অসি লৈরিমখৈদি পাকিষ্টান্না কাশ্মীর লৌশিন্নবগী ঈহৌ অদুমক শৌগৎতুনা লৈখিনি। অদুগা শৌগৎপদসু য়াম্না খুদোংচারি। করিগীনো হায়বদা জম্মু কাশ্মীর অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈরগসু তোঙানবা লৈবাক অমগুম্না লৈঙাকপদৌনা হায়বদি তোঙানবা লৈঙাক অমা লৈবা মানবগী ফীভম অমদা লৈরি। মরম অদুননি কাশ্মীরগী মীওই কয়াদা পাকিষ্টান্না শেল, পাঙ্গল, মতম কয়া মাঙনা মনীং-মখা তম্নবা ফোঙনা শৌগৎলিবসি। মালেমগী ওইবা মীফম কয়াদসু কাশ্মীরবু মরোমদোম লেপচনবা পাকিষ্টান্না অকনবা ৱা কয়া ঙাঙদুনা লাক্লিবসি। পাকিষ্টান মালেমগী লৈবাক কয়াগী, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মীনৈ কয়া চারবনি কাশ্মীরগী মতাং অসিদা। অদুম ওইনমক হনবা লৈতনা কাশ্মীরবু ইন্দিয়াদগী শেৎতুনা লৌথোক্লবা হোৎনবা লেপত্রিবসি আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ চৎনদুনা লৈবদগীনি। হৌজিক আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ লৌথোকখ্রবা মতুং অসিদদি তোঙানবা ফিরাল লৈত্রে। তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈত্রবনিনা ইন্দিয়াগী লো খুদিংমক চৎনবা মশানা তারে। তশেংনমক ইন্দিয়া রিপব্লিক্কী শরুক অমা ওইরবনিনা মরোমদোম লেপচনবা ঈহৌদা ফোঙনা পাকিষ্টান্না শৌগৎনবগী লম্বী অদু মাঙখ্রগনি। করিগুম্বা পাকিষ্টান্না ফোঙনা শৌগৎতুনা লৈরবদি মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ৱা কয়া হায়রকপা মশানা তাবনি। অমরোমদা পাকিষ্টানসু ময়াম্না তৌনদবা থবক তৌবগী পাঙ্গল লৈরক্লোই। আর্টিকলশিং অসি লৌথোক্ত্রিঙৈদদি জম্মু কাশ্মীর অসি ইন্দিয়া-পাকিষ্টান লৈবাক অনীগী ওইবা ৱা ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি আর্টিকল অসি লৈত্রবা মতুংদদি জম্মু কাশ্মীরগী ৱা ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা হায়বদি ইমুং মনুংগী ওইবা ৱা ওইরে। য়ুমথংনবনা মী অমগী ইমুংগী ৱাদা মফম মতম চাদনা য়াওরুবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বা য়াওরুরবসু মদু ইকায়বা নংবা য়াই। মদুগী ফীভমসি তানবনি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা আর্টিকল অনী অসি অরোইবা থৌনা লীংজেলগা লোয়ননা লৌথোকখিবসি। থেংলবসু থেংনা থবক অসি অপূনবা ইন্দিয়াগীদি য়াম্না ফরবনি। মতম কুইনা য়ুদুনা লৈরবা তিঞ্জং অমা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা লৌথোকখিবসি থাগৎনীংঙাইনি। ●

# মতমসিগী খোঙচৎসি হোংহনবা চুমগনি

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন

ৱাঙাঙ হৈবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্তা লোইনা চেনবা য়াবা থৌদৌ অমদি নত্তে। ইপা-ইপু হাকথক্তগী হৌনা থৌদৌসি অশেংবা আর্ট মখল অমনি হায়বসি অদুম্মক হায়নদুনা লাকই। অদুগা অমুকসু অখঙ-অহৈশিং কয়ামরুম্না আর্ট হায়বা পোৎশকসিদি মমা পূক্লুংদগী হৌনা মশাগা শাগোন্নদুনা লাক্লবনি, কনামতনা ইনশিল্লুবা তৌদনা মশানা অদুম্মক চেন্দুনা লোয়নরক্লুবা অমনি হায়নসু তাকপীরম্বা কয়া থেংনৈ। ৱাফমসি চুম্লমগনি হায়বসু খল্লি, মরমদি ইংরাজিদা ইনবোর্ন ক্বালিটি হায়বা পোৎশকসি য়াম্না তোয়না পন্নে। মসিসু মমা পূক্লুংদগী পীথোক্লকপা অমনি। মরকসিদা হায়নীংলিবসিনা, হৌজিক্কী মতমদা আর্ট হায়বা পোৎশকসি তশেংনমক ট্রেনিং পীরগা হেক্তমক চেলহন্নীংবা মীওই অমদা চেলহনবা য়ারবা পোৎশক অমরা হায়বসিনি। ৱাফমসি হৌজিক্কী মতমদা লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা য়াম্না হৈ-শিংনা অমসুং অচুম্বা অমদি অশেংবশিং ঙাক্তা মানহন্দুনা, চুম্বা-চুমদবগী ৱাফম তোঙান্না থল্লগা ঙাঙবা-শকপা হৈবগী মতৌশিংসি উরুবদগী পূক্নিংদা ফাওরকপনি। তশেংনমকসু হৌজিক্কী মতমদা পোলিটিসিয়নশিংনা ঙাঙলি-শক্লিবা খুদিংমকসি মখোয় পূম্নমক্তা পীথোক্লকপা মতিং অমমমদি লৈরমদবমকসু য়াই। চুম্মী-চুমদেগী ৱাফমদি তোঙানবনি, পোলিটিসিয়নশিংনা ঙাঙলিঙৈ মীৎকুপ্তুদদি পূম্নমক্তু অসুক্কী মতিক অচুম্বা ঙাক্তা মালহল্লি। ফীভমশিংসিনা আর্ট হায়বা পোৎশকসি অরানবা কয়াবু অচুম্বা ওলহন্নবা অমদি মালহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পোৎশক অমনি হায়বদসু থোইনা কায়দ্রবরা খল্লি। ফীভমসি খঙলবদি ঐখোয়সু, পোলিটিসিয়ন হায়বা কাঙবুসিনা ঙাঙলি-শক্লিবা খুদিংমকসি তাবা হৈনবগী তোঙানবা ট্রেনিং অমা তৌবগী মথৌ তারক্কদৌরিব্রা হায়বসিসু হংনীংই।

"পোলিটিক্স ইজ এ ভেরি দেঞ্জরস গেম এন্দ ওলসো, এ ভেরি দর্টি গেম" - পোলিটিক্স হায়বসি য়াম্না শাথীনা খুদোংথীনীংঙাই ওইবা অমসুং য়াম্না শাথীনা হঙ্গোইনীংঙাইসু ওইবা গেম অমনি। ৱাহায়সি, মালেমগী ওইনা খঙ-হৈরবা মীওই কয়ামরুম্নসু অচুম্বা ৱাফমনি হায়দুনা, কৈদৌঙৈদসু খক য়েৎনবা তৌদ্রবা ৱাহায়নি। ঐখোয় খুদিংমক্লা ঙসিগী সোসাইটিসিদা, ইরমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা করি তৌরিবগে হায়বদু য়েংশিনবগী থৌদৌ অমসু পাঙথোকপগী মথৌ তারক্লি। মরমদি, মালেমগী ওইনা পোলিটিসিয়নশিংনা তৌগদবা মথৌশিং, চুম্না হায়রবদা, মীয়ামগী ওইবা থবকশিং খক্তদনি। থৌদৌসিমক্লসু, মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎশিং খনবদা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তগী খল্লিবনি। অদুগা, মীয়ামগী মীহুৎ মশীং খ্বাইদগী হেন্না কারকপা পার্টিদুদা, লমদমদুগী মীয়ামগী লৈঙাক শেম্নবগী অয়াবসু পীরিবনি। ফীভমসিনা ময়েক য়াম্না শেংনা তাক্লিবসি, মীয়াম্না অয়াবা পীরবা মীশকশিং খক্তদা লৈবাক্কী লৈঙাক শেমহনবনি হায়বসিনি। থৌদৌসিমক্লা, লৈঙাক্তু মীয়ামগীনি অমসুং মীয়াম্না ঙাকচবা লৈঙাকমক্লি হায়বসিসু তাকই। মীয়ামগী লৈঙাকনি হায়বসি ময়েক শেংলবনিনা, লমদমসিগী লৈঙাক পায়বা লৈঙাকপশিংনা মীয়ামগী অপাম্বশিংগী ওন্ন-তৈনবদা, মীয়াম্না পামদবা থবকশিং ঙাক্তা তৌনরিবসি তৌবা য়াহনফম থোকপ্রা? মখোয়না হুরান-লোন্নাদা মশাগী ওইজবখক থিবদা মীয়ামগী চাকথুংশিংবু মীয়াম খঙহন-উহন্দনা, লোন্না লৌশিন্নরিবশিংসিসু লৌশিনবা ঙমহনফম থোকপ্রা? অমরোমদা, মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবগী ওন্ন-তৈনবদা, করপসনগী মায়খুম উপ্তুনা থবক হাপ্পীবগী মীংদা লায়রবা মীয়ামশিংদগী শেল খোমগৎলি, শেল পায়জদবা মীচম-মীয়ামশিংদগী ঈ চূপ্পগী থৌদৌশিং তৌহনবা চুমদে। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কৈদৌঙৈদা খক মরন্নাইগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা মশাগী ওইজবশিং খল্লগা থবক তৌফম থোক্তে। ৱাফমসি মালেমগী মীপূম খুদিংমক্লা খঙনদুনা লৈরবা ৱাফমনি। মথক্তা পনখ্রিবা ফীভমশিংসি, ইরমদমসিগী মীয়াম্না লিংজেল মান্নবগী ৱাখল্লোন পুথোকপা হৈতবা অমদি অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎকনি খঙদবদগী লমদমসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা তৌনীংবদা তৌবদা খুদোং চাবা ফংহল্লিবনি। থৌদৌশিংসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবসি, ইরমদমসিগী মীয়ামগী পংলবা মতৌশিং, লিংজেল মান্নবগী কান্নবা মশক খঙদবা অমদি অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা হৈতবা ইরমদমসিগী মীয়ামগী খুদোংথীবশিংদু মপূং ফানা উথোকপীবনি। লমদমসিদা শুপ্নগী অশিংবা মীওই খুজোক অমখক্কী মমিৎ নিফু-য়াঙ্খৈমুক্লা উবা খুদোংচাবশিংদু, লমদমসিগী অপংবা মীচম-মীয়াম লাক্ষ কুনমরি-কুনমঙাসিগী অপূনবা মীৎশিংনা উবা ঙমদে হায়বদুসু লমদমসিগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীবনি। ফীভমসিনা লমদমসিগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিং অমদি চুম্নগী লুচিংবশিং মখোয় পূম্নমক্লা মণিপুরদা করি তৌরিবগে হায়বসি লমদমসিগী মীচম মীয়ামশিংনসু য়েংশিনবা অমসুং থিগৎ-খোকৎপগী মথৌশিং তারক্কদৌরি। থৌদৌশিংসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবশিং ওইরক্কদৌরি হায়বসিসু ময়েক শেংনা খঙহল্লি।

মালেম পূম্বগী পুৱারীদা চহী লিশীং অনী হেনবগী খোঙচৎ লৈরক্লবা ইরমদমনি হায়দুনা চাউথোকচরিবা লমদমসি ঙসিদি মালেম পূম্বগী ওইনা চাওখৎ-খোঙথাং অমদি শেন মীৎলোন্নচিংবগী লম্বীদা অসুক্কী মতিক মনীং হন্থদুনা লৈহৌরে। পূম্নমকসি করিদগী ওইরকখ্রবনো, অঙকপা ফাওদবা ঙমদে। চিঞ্জাক্কীদমক মীপান তাংবা খঙলমদবা লৈবাকসিনা ঙসিদি মপুনা পীজরগা চাবা পীজদ্রগা তোকপা য়ূমদা লোয়বা শা-উচেকশিংগী পাঞ্জক ওইরক্কদৌরিব্রা? লৌবুক খুদিংমক নোংম-নোংমগী শেঞ্জাও পায়বা, লোনয়ানচা বিজিনেসমেনশিংগী বিজিনেস সেন্টরশিং হাংবদা অমদি ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ইচিন-ইনাওশিংগী লৈফম চন্নরক্তবদগী ইস্কোলশিং ওন্থোক্লরকপদা, লৌ উবা য়াবা শরুক্তি অসুক্কী মতিক পিকশিল্লক্লে। শম্না হায়রবদা, ইরমদমসিগী মীশিংনা নোংম-নোংমগী ঈশিং-ঈচাওগুম লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা লৌফমগী চাংনা নোংম-নোংমগী পিকশিল্লকপনি। থৌদৌসিনা ইরৈপাকসিগী মীয়ামগী চানবা চিঞ্জাক্কীদমক মীরমদা মীপান তাংলক্লবগী তঙাইফদবা মরম ওইহল্লকই। ফীভমসিদা অমুক্কসু ইরমদমসিদা হৌরম্বা অশংবা উজাও পাম্বী কয়ামরুম নোংম-নোংমগী চাং হন্থহল্লকই। নোংজুগী চাং হন্থরকপা হায়বসি লৌ উবগী চাং হন্থরকপনি। মসিনা ফৌগী পোথোক পুথোকপা ৱাৎহল্লকই। ফীভমশিংসিদা মতম-মতমগী ওইনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন-থৌরাংশিং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কদায় ফাওবা লৌখৎলক্লবগে? মসিরা মীয়ামগীদমক লৈবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেমখিবা লৈঙাক অমগী অশেংবা থৌদাং হায়রিবসি? অসিদসু নত্তে, মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা মণিপুরগী লৌফম কন্নবা থমখিবা অথিংবশিংদু কদায়দা চৎখ্রে? হৌজিক-হৌজিকমক নেসনল হায়ৱেগী মনাক নক্লা লৈবা লৌফম কয়ামরুম অমদা লৌফম মুথৎতুনা বিল্ডিং ওইনা শাগৎলকপগী থৌওংশিং চথবা অদুম্মক উনরি। হৌজিক-হৌজিকমকসু শাগৎপা লেপ্তুবা মফমশিং য়াওরি। ফীভমশিংসি ঙসিগী মণিপুর লৈঙাক্লা চানবা মরমশিং লৈদুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরিবরা নৎত্রগা মপা চানরুদবদগী উবা ফংলুদ্রিবা হায়বদুরা, মরম অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। হংলুরগসু, ঙাঙবা-শকপা হৈবা, চিম্বান্দা রাসি তোপ্পা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনি অমদি শোয়দনা খুন্নক্কনি।

"ক্রেক-ক্রেক-মো-মো, য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লু, লাইগী য়েন্নি চাফদে" ... হায়বদু ঐখোয়গী লমদমসিগী লুচিংবশিংদা চপ চানা হেক থোকই। তৌথোক্লকপশিংসু অমত্তা হেক পেন্দে, পেন্দে হায়দুনা মখোয়বু তান্থোক্লুবসু য়াবা মতম ওইদ্রে। পাম্বী লৈতবনিনা মখোয়গা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা হেক মরৈবদসু মতারকপা। খঙদ্রেদা, অচুম্বা অমসুং মীচঙ-মীখায় নাইদনা চথবা অশেংবা খোঙচৎ, অশেংবা ৱায়েল হায়বদুদি পামখ্রেদা! মহৈরোয় কুন্থ্রাহুমদোই পূন্না লৈমিন্নবা কা অমদা নৌখ্রবী নুপীমচা অমনা মঙক্তা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী থৌদৌবু, অদুসু কাঞ্চল চৈখোক্তা, চৈখোক্তুনা নেম্মনবদগী শিরিবা নুপীমচাদু খুরু খুদক কুন্দুনা লৈরম্মীসু হায়রিবা, মসিদা কনামতা উহৌদে, খঙহৌদেসু হায়রি। মসিবু সী বি আইনা য়ানীংগদৌবা থৌদৌরা? ... অমুকসু পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টতসু ঙক্কী খৌরি উতোংসু কাইরমদে হায়রি, খঙদ্রে-হে...! ●